# উমংলাই হরাউবদা মিৎয়েং অমা

– ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ –
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর



**মৈতৈ** ফুরুপনা হিন্দু লাইনীংদা লুপশিনখ্রবা মতুংদা মৈতৈ খুন্নাইদা হোংলক্লিবা অহোংবা কয়া অদুবু থিংননবা পাম্বে হায়বদি পারি-পুরী নৎত্রগা ইপানাৎ-ইপুনাৎ ঙাক্লা চৎপা ঙমজরকখিবা লমদম অসিগী মরু ওইবা মরম অদুদি মৈতৈশিংনা চহী খুদিংগী লাই হরাউবা পাঙথোক্তুনা "মৈনা চাক তাংনা শম (কন্তিন্যুটি)" অমা পুরকখিবা অসিনি। হায়বদি চেঞ্জ এন্দ কন্টিন্যুটিগী ৱাফম অমা ঐখোয়না সোসিওলোজিগী মিৎয়েং ওইনা য়েংলকপদা থেংনবা অদুবুনি। অমুক সোসিওলোজিকেল্লি য়েংবদসু ঐখোয়না খঙলে মদুদি মৈতৈ মচা অমা ওইনা পোক্লবা মতুংদা ঐখোয়না খুন্নাই অসিগী চৎনরোল, পুন্সিরোল, শেনমিৎলোন, লৈঙাকলোন, লাইনীংলোন, শিনশুরোলনচিংবা মচাকশিং অসি লাই হরাউবদগী ফংবা ঙম্মী। য়াম্না কুপখ্রবা মীওইবা অমা শেল্লকপদগী হৌদুনা মখা তারকপা কয়া অমা হায়বদি হিংবদা চঙবা অমদি খুন্নাই অমা লিংবদা চঙবা মচাক অমদি কাঙলোন পূম্বা উহনবীরি অমদি খুন্নাইসিগী লুখ্রবা সোসিএলাইজেসন প্রোসেস, নেসন মেকিং প্রোসেসনচিংবগী ৱাফম কয়া অমসু য়াওরি। শম্না হায়রবদা লাই হরাউবা লৈরমদ্রবদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মীতৈ ওইনা লৈবা অমদি হিংবা ওইথোক্লমলোই। উমংলাই হরাউবা হায়বসি রিচুয়েল সেরেমোনি/ হোলি ফেষ্টিভেলনি।

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | ফর্টিলিটি রাইটস | + | এনচেসট্রেল ৱর্সিপ |
| | চাকহোং - ঙাহোংবা অমদি খুঞ্জাও লৈচাওবা | | অপোকপা খুরুম্বা (লাই ওইখ্রবা ইপা -ইপুশিং) |
| ২) | হরাউ কুম্মৈ (হকচাং) | + | ইরাৎ- থৌনি (থৱায়) |
| | ফিজিকেল সেলেব্রেস্নেল প্রাক্তিসেস | | স্প্রিচুয়েল প্রাক্তিস |
| | (দান্স এন্দ ম্যুজিক, স্পোর্টসনচিংবা) | | (রাইটস এন্দ রিচুয়েল) |

লাই হরাউবা হায়বসি মৈতৈ খুন্নাই ঐখোয়গীদি খ্বাইদগী চাওবা ইনাৎকী পুক্কেনি। মরমদি লাই হরাউবা হায়বসি লৈরমদ্রবদি মৈতৈ ঐখোয়গী ইনাৎ চৎনবী, শক্তম অমত্তা লৈরম্লোই। ঙসি মালেমদা ফাওরিবা মৈতৈগী শগোল কাংজৈ, রাস লীলা, থাঙ-তানচিংবা ইনাক খুল্লগা ঐখোয়গী ইনাৎকী মচাক পূম্বা লাই হরাউবগী পুক্কেদগী লোইনা হৌরকপা ঙাক্তনি হায়বসি অখঙ অহৈ পূম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। অদুগা অমনা অদুঙৈ মৈতৈ নিংথৌনা হিন্দু লাইনীং লৌদুনা ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈগী চৎনবী, ইনাৎ, লাইশোন তিনশোন্নচিংবগী থবক পূম্নমক্তা মীতোপ লাইনীংগী চৎনবী কয়া য়ানশিনখিদুনা ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম মাঙখি। অদুবু লাইবক ফবদি উমংলাই হরাউবা হায়বা ঐখোয়গী অশেংবা লাইথৌ কুম্মৈ অসিদদি মীতোপকী চৎনবী কয়া অদু চঙশিনবা ইঙম ঙল্লমদবদগী মৈতৈ ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম অসি পুরা মাঙবা ঙমদনা লাকখিবনি। ঙসিসু মীতোপকী অচৌবা, শাফু কল্লবা ইথিল কয়ানা ঐখোয়গী লাই হরাউবগী চৎনবীদা শিংনরকপদি লেপত্রি। অদুনা ইচা খোমদোনবী মৈরৌবী চেৎনা য়াল্লু হায়বদু ঐখোয় মতম চুপ্পদা কাউদবা তাই।

লাই হরাউবদা য়াওরিবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মমল য়াল্লবা ৱাখল - লৌশিং (সাইন্টফিক এন্দ ফিলোসোফিকেল নোলেজ) ময়াম অসি ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা, নৈনরোইশিংনা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপ্না থিজিন্দুনা অনৌবা রিছার্স ফাইন্দিং ময়াম অমা পুথোকপা ঙল্লবদি মালেমগী মীয়াম্না ঐখোয়গী লাই হরাউবদা মায় ওনশিল্লকপদি শোয়রোই। খুদম অমতং লৌখৎলবদা, ঈশিংদগী থৱায় লাকই হায়বসি লাই হাক্তক্তগী খঙদুনা লাক্লবনি, লাই হরাউবদা অদুম য়াওদুনা লাক্লবনি। অদুবু মোর্দন সাইন্টিষ্টশিংনদি ঙরাং নহান্দা ঈশিংদগী থৱায় পানবশিং ওল্লকই, লিভিং সেল শেল্লকই হায়না ফোঙদোক্লক্লি। অদুগা ঙসি মণিপুরনা শান্ন খোৎনবগী লমদা মালেমগী থাক্তা কাবা ঙল্লিবা অমদি অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙল্লিবা ইন্দয়াগী স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়না হায়নরিবা পূম্নমক অসিগী ক্রেদিট অসি লাই হরাউবদা পীফম থোকই। য়েলহৌমী ঐখোয়গী ঈদা শান্ন-খোৎনবগী ঈ অমা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মৈনা চাক তাংনা শম্লক্লিবসি লাই হরাউবননি। লাই হরাউবদা মশান্না কয়া হায়বদি মুক্না, লমজেল, য়ুবী লাকপী, চেনজোং-মাংজোং, কাংজৈ, কাং, শগোল কাংজৈনচিংবা ইন্দিজিনস গেমস কয়া থায়নদগী অদুম য়াওদুনা লাক্লি। অদুনা শান্ন খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওবা ইপা ইপুশিং অদুগী ঈ অদু ঙসি ঐখোয়দসু চেনবা/য়াওবা মরম্না ঐখোয়না ঙসি মালেমদা শান্ন খোৎনবগী লমদা অচৌবা ফিদা ফংলিবনি। মতৌ অসুম্না উমংলাই হরাউবদা ঐখোয়গী লাইনীং লম্বী, খুন্নাইরোন, লৈঙাকলোন, পুন্সিরোল, Physical & Health Education, Philosophy, Science, Literature, Dance & Music, Rites & Ritual, Theory of Creation, Social Discipline, Environmental Science নচিংবা অৱাংবা থাক্কী নোলেজ কয়ামরুমসু য়াওরি। ইশম শম্না হায়রবদা উমংলাই হরাউবা হায়বসি মৈতৈ ঐখোয়গীদি য়ুনিভর্স ওফ নোলেজনি। লাইবুং অসিমক ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঐখোয়গী স্কুল ওফ থোটনি, ইন্দিজিনস এদ্যুকেসন সিষ্টেমসুনি। ঐখোয়গী অপূনবগী ৱাখল্লোন, থৌনা শাগৎফমনি - লাইনীংদা তুখিবা মৈতৈ ঐখোয়না লাইনীংদগী হৌগৎকদবনি হায়রিবসি উমং লাই হরাউবুংদগীনি।

লাই হরাউবগী মরমদা থিজিনবা কনাগুম্বা মীওইনা লাই হরাউববু অকামপেৎ ওইনা, ইচম-চম্বা কুম্মৈ ওইনা উৎথোকপীখিবা য়াওরবদি মদুমক ইকায়নীংঙাইনি অমদি খুন্নাই অসিগী লাইবক থিবনি। নিংথিনা খঙদবশিংদগী পাউতাক লৌরুরগা ইথোকখিবা অমদি হায়দোকখিবশিংনা ইকায়বা নংজবনি। ঙসি ঙসিমক ওইরিবশিংদি মৈনা ৱাইখিববু তাংনা শম্লগা ওইখিবনি। অশেংবনি, মীদি মখৈ ফংনা হায়রগা শাউই। লাইদি মখৈ ফংনা হায়রগা হরাউই। ঐখোয়না লাই হরাউরিবসি অদুঙৈ লৈশেম-নোংশেম্বা, থৱায় পানবা শেল্লকপা, তাইবঙ মী শেল্লকপা অদুদগী য়ূম-কৈ শাদুনা, ফি শাদুনা, লৌউ-শিংউবা তৌদুনা, লৈবাক ঙাক্তুনা খুন্দা লৈতারকপগী মতম অদুদা লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং, লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীশিং অদুনা তৌখিবা থবকশিং অদুমক মচা-মনাই ওইরিবা ঐখোয়না ঙসি ফাওবা কাউদ্রি অদুম নীংশিংলি হায়দুনা লাইশোন্না, তিনশোন্না, জগোয়না, ঈশৈনা, হৈকৎ - লৈকৎনা, মহুৎ শিন্দুনা উৎচবনি মদুদা উমংলাইশিংনা হরাউবীদুনা পেনবীদুনা খুঞ্জাও লৈচাওবা, চাহোং - ঙাহোংবা, লৈবাক মরা তপ্পনচিংবা পীনবিরিবনি। লাইশিংনা তৌরম্বা হায়রম্বা মখৈ অদুবু ঙাক্তুনা ইপা-ইপুশিংনা লাই হরাউববু ঙসি ফাওবা হিংহল্লকখিবনি। অদুনা ইপা ইপুশিংনা ঙাক্তুনা লাক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুবু ঙাক্তদুনা লাইনা হায়রম্বা তৌরম্বশিং অদুদগী হেন্দোক্না মরী লৈনদবা কুম্মৈ কয়া পংহাপ্তা হাপচিল্লবদি মদু লাইদা লংশিনবা অমদি লমলানবগুম থোক্কনি।

উমংলাই হরাউবদা শিন্দুর হাপচিনবা, মহাদেবগী ত্রিশুল হাপচিনবা, ইনাৎকা মরী লৈনদবা জগোয়-ঈশৈগী থৌরমশিং হাপচিনবা অসি চুম্বা লানৱা হায়বসি তিন য়োৎথরগা অমুক্তং খন্থরবদি ঐখোয় খঙগনি, নত্তে খঙগনি, ঙক্কনি, ঐখোয়না তৌশিল্লিবা তৌহৈদবশিংসি উবদা। খঙ হৈরবা ওজা খরা অমনদি হায় কনাগুম্বা অহৈবা মী অমনা মতাং মতম চানা হাপচিল্লবদি কম্প্যুটর অসি লাই হরাউবদা য়াওরকখিগনি অমদি য়াম্নসু ফজগনি, মীয়াম্নসু পাম্নগনি হায়না। অসুম্না মতম মতমগী হাপনীং হাপনীংবা কয়া ইনাৎকা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বা খন্থরুদনা পংহাপ্তা হাপচিল্লগদি লাই হরাউবগী অসুম্না য়ুমশারোন শকপদা মাইবীনা লাউরকপা য়াই - হো লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী মনাইশা, সিমেন্ট থিলো, হো চেক পুরকও, য়োৎ অমুক হাপচিল্লো, হো তাইল থারসে হায়বনচিংবা। মসিবু তৌহৈগদ্রা ময়াম অমুক্তং খন্থদুনা য়েংবিয়ু। লাই হরাউরিবসিবু লাইগী মখৈদুরা নৎত্রগা মীগী মখৈদুরা? অদুনা মতাং অসিদা ঐখোয়না হায়জনীংবদি মৈতৈ ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম ঙাক্কে, কনগে অমদি চাউখৎহনগে হায়রবদি ঐখোয়গী খুত্তা লৈরে, উমংলাই হরাউববু য়োকখৎপা, কনবা অমদি চাউখৎহনবদা লৈরে। লাইনিংথৌ লাইরেম্বীনা য়াইফরে।

# সকোক থিরেন পুয়াগী মতাংদা ৱাফম খরা

– মুতুম গৌরমোহন –
ঙমথং অঙম্বা, অপোকপা মরূপ শঙলেন
শিংজমৈ অকাম্পাৎ, ইম্ফাল ইষ্ট

**অহানবদা** সাকোক থিরেনবু থিজিন্দুনা থম্বীরম্মিবা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোবু কনানো হায়না খঙমিন্নবা মথৌ তারি। মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) দা খাগেম্বা নিংথৌনা পাল্লিঙৈ মতমদা মাইচৌ ৱাংগোই লুখোইনা ইবা কাইবরোন কৌবা পুয়াদা অসুম্না হায়রি "হে লাইনিংথৌ খাগেম্বা - ও নপোক অহুল্লক শুবগী হাক্তক্তা মৈতৈগী পারি পুরী খৈবিকপু মাঙখরগদবনে। চাকচা ফিশেৎ অমা তৈরগদবনে x x x x x x উমংলাই মপনমক থিররোইএ। তাউবরোন খাকপরোন অসি খৈবিক্কী ঈরাৎসু হুনদোক্লগদবনে। x x x x x x x মৈতৈগীসু খুবম মাঙলগদবনে। মপা-মচা খঙনরোহৈ মচিন-মনাও চাননরোই। নোংচুপ লমগী বামোননা ৱায়েন তৌদুনা পানগনি খঙঙো। x x x x x x অদুগী তুংদা x x x তুলাই ময়াম্বা পাইরক্কদবনে খঙও। মানা অমরক হঞ্জিল্লক্লবদি হে খাগেম্বা নপোক অমরক ফাওরে। নঙনা বামোনগী লাই তীন তাম্থোক্তনা তুবী নয়োন চোংনা ফাওরগা লাইরেন ফলাংমৈদা তোংনা মৈতৈ লমচৎ অরিবা হঞ্জিল্লগদবনে। নোংচুপ লমদগী শাগৈ অরিবনা তীম্থোঙ লাইথোঙ খঙনা থিরগদবনে নোংদম নোংখাইবিরগদবনে। মৈতৈ লমচৎ অরিবা অমরক হঞ্জিল্লগদবনে। x x x x ইঙেন থৱান থা অনীমক্তা শাগৈ শলাই তরেৎমা মাগী মাগী খুবমদা হঞ্জিনবা হৌরগদবনে।" হায়রিবা মাইচৌগী মপাও অসি তশেং তশেংনা থোকখ্রবা ঙাক্তনি। খাগেম্বা নিংথৌগী মপোক অহুল্লক শুবদা পামহৈবনা নিংথৌ ওইবা মতমদা মীতৈগী পুয়াশিং মৈ থাখ্রবনি নোংচুপকী বামোননা ৱায়েন তৌদুনা পানখ্রবনি। মসিগী মতুংদা মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) কী নোংচুপ্তা কাছারগী জারিবোন লাইশ্রমখুনদা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো তাইবঙদা খোঙদাবিরকখিবনি। মীতৈনা রামান্দি লাইনীং, গৌড়িয়া বৈষ্ণব লাইনীং, হিন্দু লাইনীংদা পূক্নিং লুপ্তুনা লৈরিঙৈ মতমদা ইহান হান্না মীতৈগী ইপা ইপু লাইনীং খুভমদা অপোকপা লাইনীং (অপোকপা মরুপ) য়েলহৌঙৈদগী চৎনরম্বা লাইনীং ইপা-ইপুগী খুভমদা হঞ্জিনহনবিরম্বসি লাইনীংহন ইবুঙো নাওরিয়া ফুলোননি। মহাক নত্তনা কনা অমত্তনা মীতৈ ইপা-ইপুগী খুভমদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মমদ্রবনি মীতৈ মাইচৌশিংনা ইবুঙো মহাকপু পোকপা চাওবা ঙাইবিদুনা অমদি তেংবানবা মপুগী য়াইফ থৌশিলগা লোয়ননা অসাম লৈবাক্তা উনবগী শিনবীদুনা মপুগী মনাইনি হায়না য়াকাইবিদুনা অমদি থৌজাল পীবিদুনা লাইনীংগী মরম খিবিক তানবীদুনা মীতৈ য়েলহৌ ময়েক খুদেকশিং ময়েক্লচিংবগী লাতম লাইয়ুম শিননবিদুনা তৌজরম্বা লৈঙাক্কী থবক থাদোকহন্দুনা ইপা ইপুগী লাইনীং খুভমদা হঞ্জিনহনবীরম্মিবনি। লাইনিংহন ইবুঙো থৱান থাদা তাইবঙদা খোঙদাবিরকখি। মরম অসিনা ইবুঙো মহাকপু মপুগী মনাই অথোইবা মীথোই মপোক্লি হায়না শিংথানরিবনি। কাইবরোন পুয়ানা খুদোনবী থিলম্মিবসি ইবুঙো মহাকপুনি। মরম অসিননি মতম অদুগী গৌড় লাইনীংগী ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী মজা ইবুঙো টিকেন্দ্রধজনা নাওরিয়া ফুলোবু ৱারক্কনি হায়না কাছারদা লাক্লগা নুমিৎ মঙানি চুপ্না লৈদুনা মহাক্কী মপাও লৌখিবা অমদি মহাক্না তৌরিবা লাইনীংগী লাইশোন থৌরম, য়ূমলাই খুরুম্বগী লাইরোন, ইপা ইপু হৌরকপগী ৱারী ৱাখোং পূম্নমক উরগা অমদি তারগা পেনবিদুনা ইবুঙো মহাকপু থাবুং নুমিৎকী লাইনীং মীফমদা মীয়ামগী মাংদা মীগী লাইনীংদা লুপলুরবা মীতৈনা ইশাগী হৌমিন কামিন্নরকপদগী লৈজরম্বা য়েলহৌঙৈগী লাইনীংবু ইহান হান্না মশক খঙবা লাইনীংগী অহলনি হায়দুনা 'লাইনিংহন' হায়বা মিংথোনসি পীবিরম্মীবনি। মহাক্না মীতৈগীতা নত্তনা তেংবানবা হৌরকপগী অমসুং তাইবঙনা ওইরকপগী অমদি তেংবানবা মপুগী মরমদা ময়েক শেংনা ইবিরম্মীবনি। ইবুঙো মহাক্না 'সকোক থিরেন' পুয়া থিজিনবীদুনা থম্বীরম্মীবা অমদি ইরোন-ইয়েক মাঙখ্রগদবা মীওই কাঙলুপ অমবু কনবিরম্বগীদমক ঐখোয় মীতৈনা ইবুঙো মহাক্কী লমন মতম পূম্বদা তোনশিল্লবনি।

লাইনিংহন ইবুঙোনা অপোকপা লাইনীং (অপোকপা মরুপ) হৌদোকফমদা ইবুঙোনা ইবিরম্বা, পাঙথোকপীরম্বা অমসুং তাকপীরম্বা লাইনীংগী খিবিকপু ঙাকশেন্দুনা অমসুং লাইনিংহনগী তুংইনবা ওইদুনা লৈজরিবা অপোকপা মরুপ হৌনশঙ লাইশ্রমখুন মমাঙ লৈকায় রাজেশ্বরপুর হায়লাকান্দি আসামগী মায়কৈদগী 'সকোক থিরেন' পুয়াবু বঙ্গালী ময়েক্লা ফোঙদোকপা লৈখিদ্রি। মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি 'অপোকপা মরুপ' হৌদোকফম হৌনশঙ, লাইশ্রমখুন মমাঙ লৈকায়দগী ফোঙবা 'লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো' না ইবা লাইরিক নত্তনা অতৈ অতোপ্পনা ফোঙলকপা, লোয়ননা হৌনশঙ অহন তরানিথোইগী অয়াবা লৌদবা লাইরিকশিংদি অরানবা ময়াম অমা য়াওবনা অপোকপা মরুপ শংলেন, শিংজমৈ অকামপাৎনা অচুম্বনি হায়না লৌজদে।

য়েলহৌ ময়েক্কী মতাংদসু লাইনিংহন ইবুঙোনা মহাক্কী "মীতৈ য়েলহৌ ময়েক" কৌবা লাইরিক্তসু অসুম্না ইবিরম্মী "... য়েক তরেৎকী য়েলহৌ ময়েকনি লাই ওইবা মীতৈ অহল লাইনীং ইবুঙোশিংসু ময়েকসিনা লাইৱা - পুয়া ৱাহৌরোন খিবিক লা, উকু, সনাখোংনাং মনা, কোনা মনা অসিনচিংবদা য়েক্লম্মী হায়দুনা মীতৈ য়েলহৌ লা-য়েক। অসুম্না য়েক্লম্বা ময়েকপু লাইগী ময়েকনি ... (...) হায়দুনা মীতৈ য়েলহৌ লাইয়েক কৌয়ি।... তৈহনবীগনু ইপা-ইপল, ইমা-ইনদোন নমুংগনি অৱাবা ফংগনি মসা লাইথুং পক্কনি। লাইনিংহন সিদ মপাওনি। য়েলহৌ ময়েক মপূং ফানা মশক খঙবিও চিনফা ইনিন শোয়দবতনা মীতৈ হৌভম খঙগনি লাইনিংহন মপাওনি... হুঙ মনাইবু চানবিরিবা অথোইবা লাইনিংহনবু হন্না হন্না খুরুমজৈ।"

য়েলহৌ ময়েক অসিনা ইপা-ইপুশিংনা লাইৱা - পুয়া কয়া ইবিরম্বদু ইনিংথৌ পামহৈবগী মতমদা লোইনা তুম্না মৈ থাদোকখ্রবগী মতুংদা লাইগী থৌইনশিন অমনা লাইনিংহন ইবুঙোদা মতম অমদা থুপখ্রবা মাইচৌশিংনা পাউতাক পাউমেনবিরগা শিন্নরম্বা য়েলহৌ ময়েকনি। মালেমদা লৈরিবা মীতৈগী শাগৈ - শাগৈগী পিবাশিংনা লাৎনরিবা লাইশোনদসু য়েলহৌ ময়েক্লা ইরম্বা থেংনরি।

সকোক থিরেনগী ১২ শুবা তাঙ্কক্তা য়াওরিবা 'লৈমরেনদি সিদবী নঙগী নতিক খঙবনি/নঙগী পূক্নিং থুংনবা মহাক্তনা তৌগনি/তাইবঙ সন্‌ননবগী নঙগী নাক্‌তা থনম্‌গে/মনুং মপান ৱারীদি মঙোন্‌দতা তৌরম্‌গে/' তাঙ্কক ১৩ শুবদা য়াওরিবা "সোরারেন্‌দি সিদবা পাওমেন্ পুমেন্ লোইরগা/তাইব্‌ঙপান্‌বা খিবিক্‌কি মথঙ্ মনাও শিল্‌লগা/পারি অনী কোন্‌দুনা য়েৎকা ওইগা চুপ্‌লম্‌মে/সারোন্ লৈমরেন্‌বীদা নুংশি পাউবু হায়রম্‌লে/কৌব্রু লাইরেন্ সোরারেন্ য়াদি তন্‌না নোঙ্‌গরে/সনামহী পাখঙ্‌বা নুঙাই থোইনা পাল্‌হৌরে/সনামহী য়াইরেন্‌গী নুংশি মিৎয়েং লম্‌দগী নুংশি ময়োন্ হুন্‌খরে সরোন্ লৈমরেনবিগী/পুরৈরোম্‌ব পোক্‌খরে তাইবঙ সনবা তমক্‌কী/লাইগী সলাই খক্‌খরে পুরৈরোম্‌ব হাক্‌দক্‌কী/" তাঙ্কক ১২/১৩ দা য়াওরিবা লৈমরেন, সোরারেন, সরোন লৈমরেনবী, সনামহী, পাখঙবা, সনামহী য়াইরেন করম করম্বা মিৎয়েংদা য়েংবিবগে, পুরৈরোম্ববুনা করিনি হায়না লৌবিবগে হায়বগী তঙাইফদনা নৈনদবা য়াদবা মওং লৈরি। হৌরকপগী পুয়াবু নৈনদনা লৈপাক্লা ইকায়খুম্নফম থোক্তে হেক্তা হায়বা য়ারোই। তাঙ্কক ১৪ শুবদা "লাইনিংথৌদি পাখঙ্‌বা মচা তরেৎ পোক্‌খরে/তাইনরক্‌পা মতম্‌দা লোয়না পুম্‌পঙ পঙ্‌খরে/তাইবঙ মীনি হায়দুনা পুম্‌নমক্‌ন খঙ্‌নরে/খুমন লুৱাঙ মঙাঙগা অঙোম মোইরাং কৌবগা/খাবাঙানবা কৌবগা সরাঙ লৈসাঙ থেমবগা/তরেৎ অসি পোক্তুনা য়েকপু তরেৎ সন্‌খরে"/মথক্‌কি ৱাফমসিদা লাইনিংথৌ পাখঙবা হায়রিবসি, পাখঙবনা ফমলিবা ফম্বাল অসি লাইনিংথৌ সোরারেন্না ফম্‌লম্বা ফম্বাল, লাইয়াম পূম্নমক্কী নিংথৌগী ফম্বালনি ফম্বাল অসিবু মচা পাখঙবদা শিন্নরম্মীবনি। ফম্বালগী মতিক হন্থদবা মরম্না অমসুং লাইয়ামগীসু নিংথৌ ওইবা মরম্না লাইয়ামগী নিংথৌ লাইনিংথৌ হায়রিবা অসিনি। য়েক তরেৎকী মকোক থংবগী মরমদা অতৈ লাইরিক্তনা মঙাংনা মকোক থংই, লাইরিক অসিদনা খুমননা মকোক থংই হায়রিবসি, অতৈ লাইরিক্কী মঙাঙনা মকোক থংবগী মরম লৈরমগনি মখা তানা থিজিনহন্নিংই। খুমননা মকোক থংবগী মরমদি তেংবানবসি অম্মবদগী ওইরকপনি অম্মববু খুমননি হায়নরিবনি। মরম অসিননি খুমনগী মচুদি মুই হায়রিবসি, অখঙবা মীওই খিবিক্লা য়েক তরেৎকী অহনদি খুমননি হায়নরি।

লোইশিল্লকপদা সকোক থিরেনগী শরুক খরা পাঙজদবা ঐহাক্লা বাঙ্গালী ময়েক্তা ইদবা য়াদদুনা ইজরিবসিগী অরানবা খিবিক অপোকপা মপুনা অমদি মরী লৈনবশিংনা ঙাকপীগনি। কনাগুম্বনা 'সকোক থিরেন' অশেংবা পুয়াগী ৱারোলবু বঙ্গালী ময়েক্তা অৱাই - অখুম ওইবা য়াবা য়াদবা ইবিরক্তবনা য়াইফবা ওইগনি। মরমদি সকোক থিরেনবু বঙ্গালী ময়েক্তা ইথোকপা হায়বসি অপোকপা মরুপ হৌনশঙ অহন তরানিথোইগী অথিংবা লৈরিবনি।

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১। "তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে/উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদো।" কবি কনানা হায়রম্বনো?
২। 'তলা পামেল নহাকসু' শৈরেংগী লাইরিক অসি কবি কনানা ইবনো?
৩। 'শমজিরৈ অমগীদমক' হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?
৪। 'পুন্সি পামেল' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।